# কুলভুষন যাদববু পাকিস্তাননা খুদক্তা থাদোক্লক্কদবনি ঃ এস জয়শঙ্কর



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

কুলভুষন যাদবতা পীরিবা শিবগী চৈরাক অদু রিভ্যু তৌনবা ৱার্ল্ড কোর্টনা পাকিস্তানদা ওর্দর তৌখিবগী হেক নোংঙানবা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দিয়ানা থিহ্নবা তৌদনা হান্নগী নেভি ওফিসার অদুবু থাদোক্লবা পাকিস্তানদা অপিল তৌখ্রে অমসুং মহাকপু লৈবাকসিদা অমুক হন্না পুরক্লবা অকনবা অকনবা থবক মখা চত্থগনি ৱাশকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা পীখিবা ৱায়েল অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা ষ্টেটমেন্ট অমা পীরদুনা এক্সটরনেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা হায়খি, যাদবকা কম্যুনিকেট তৌনবগী, দিটেন্সনদা লৈরিবা মহাকপু উন্নবগী অমসুং মাগী লিগেল রিপ্রজেন্টেসন শিন্নবগী ইন্দিয়াগী হক অদু পাকিস্তাননা থুগাইরে হায়বসি ফংখ্রে। কুলভুষন যাদবকী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অদু তসেংনমক্তি মহাক মরান লৈজদবনি। লিগেল রিপ্রজেন্টেসন য়াওদনা মহাকপু নমদুনা কনফেস তৌহনখিবনি। মসিগী অশেংবা অসি করিগুম্বা প্রেসেসনা হোংহনবা ঙম্লোই।

ঐখোয়না পাকিস্তানদা মহাকপু পন্থদনা থাদোক্লবা অমসুং ইন্দিয়াদা থারক্লবা অমুক্ক হন্না অপিল তৌখ্রে হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এস্পিওনেজ অমসুং সেবোটেজগী মরানশিংদা ২০১৭দা যাদবতা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু সস্পেন্দ তৌনবা পাকিস্তানদা দিরেক্টিব পিখিবনি।

যাদব (৪৯), থবক্তগী পোত্থারবা ইন্দিয়ান নেভি ওফিসার অমনি। এপ্রিল ২০১৭দা মপানগী অতোপ্পা য়াহন্দনা চত্থবা ৱায়েল অমগী মতূংদা এস্পিওনেজ অমসুং টেরোরিজমগী মরানশিংদা পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা মহাকপু শিবগী চৈরাক পীখি।

শেমজিন-শাজিনবা মরানশিংদা পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্ট মার্সেল অমনা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীখিবনি হায়বসি হাউসনসু নীংশিংলমগনি হায়না জয়শঙ্করনা হায়খি।

মসি ইন্টরনেসনেল লো অমসুং প্রক্টিসনা পীফম থোকপনি হায়রিবা, মহাকপু ইন্দিয়ান রিপ্রজেন্টেটিবস কোন্সুলার এক্সেস ফংহন্দনা চত্থখিবনি।

লো অমসুং জষ্টিসকী বেসিক নোর্মশিং থুগাইরগা অমসুং চত্থফম থোকপা কাঙলোন চত্থদনা পাকিস্তানদা মরাল লৈজদবা ইন্দিয়ান সিটিজন অমবু শিবগী চৈরাক মায়োক্লহল্লিবসি ইন্দিয়ানা য়ান্না হকচিন্না লৌই হায়বদু ঐখোয়না মতম অদুদা ফাওবা ময়েক শেঙনা হায়খ্রবনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে)না জুলাই ১৭, ২০১৯দা মসিগী ৱায়েল পীখি। য়ান্না শীংথানিঙাই ওইনা কোর্টনা হীরম অসি মখোয়গী জুরিসদিক্সননি হায়না মত অমত্তা ওইনা থমখি অমসুং ১৫-১গী ভোট অমনা কেস অসিগী অতৈ মরুওইবা মওংশিংদা ৱায়েল লাওথোকখি। দাইসেন্টিং জজ অদু পাকিস্তানদগীনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

# রসিয়াগী এস-৪০০ দিফেন্স সিষ্টেম লৈবা লৈবাক্কী মায়োক্তা য়ু এস লৈ ঃ পেন্টাগোন



***ৱাসিংটন, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

য়ু এসনা ইন্দিয়াগা তৌনবা দিফেন্স পার্টনরসিপ হেন্না কনখৎহন্নবগী অকনবা অপাম্বা লৈ হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোকখ্রে, অদুবু অমেরিকাগী সোফিষ্টিকেটেদ ফিফ্ট-জেনরেসন এয়ারক্রাফ অদুগা থেঙ্গাইননবা দিজাইন তৌবা রসিয়াগী এস -৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম য়াওনা মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট লৈবা লৈবাক অদুগী মায়োক্তা লৈ হায়না ময়েকশেঙনা হায়খ্রে।

রসিয়াদগী এস -৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবগী ইন্দিয়াগী ৱারেপ অদু মাঙলোমদা চংশিল্লক্লিবা অদুগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অদুগী পাউখুম অমদা মকোক থোংবা পেন্টাগোন ওফিসিয়েল অমনা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

সেঙ্কসন থমখ্রবা রসিয়াদগী অঙ্করানা এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু লৈখ্রবগী তূংদা টর্কিদা য়ু এসকী এফ -৩৫ জেটশিং য়োল্লরোই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লাওথোকখিবগী নোংঙানবদা মথক্কী ৱাফম অসি দিপুটি অন্দর সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স ফোর পোলিসি দোবিদ জে ট্রাচটেনবর্গনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

টর্কিগী ৱারেপ অদু লাইবক থীবনি। অদুবু এফ -৩৫ প্রোগ্রামগী সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি শোয়হন্দবা অমসুং ঐখোয়গী পার্টনরশিংদা মদুনা পীগদৌরিবা কেপাবিলিটিজ অদুনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

এক্যুজিসন অমসুং সষ্টেনমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স এল্লেন লোর্দনা হায়খি, টর্কিনা ২০১৭গী অঙনবদগী রসিয়াগী সিষ্টেম অদু লৈবা পাম্বগী ৱাফম ফোঙনা খন্নবা হৌরকখ্রবনি।

মতমদুদগী হৌনা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা এফ -৩৫ অমসুং এস -৪০০ অনীমক পায়বা হায়বসি চানদে হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্টনা লেপ্তুনা তক্লদুনা লাকখিবনি।

এফ -৩৫ প্রোগ্রামনা রিপিয়ার তৌরিবা অমসং এফ -৩৫ থল্লিবা মফমশিং অদুগী নক্লবদা রসিয়ান ইন্টিলিজেন্স কলেক্সন প্লেটফোর্ম অমা টর্কিনা থম্বা য়ারোই। এফ -৩৫কী তৌবা-ঙম্বা শক্তিগী অয়াম্বদি মসিগী ষ্টেল্থ কেপাবিলিটিজদা লৈ মরম অদুনা হায়রিবা কেপাবিলিটিজ অদু দিটেক তৌবা ঙম্বগী শক্তি অদুনা এফ -৩৫ প্রোগ্রামগী লোং-টার্ম সেক্যুরিটি অদু কায়হনগনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

# জাপান এনিমেসন কম্পেনি বিল্ডিং মৈ চাকপদা মীওই ২৪ শিখ্রে



***টোকিও, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

জাপানদা এনিমেসন প্রদক্সন কম্পেনি অমদা মৈ থাবগী এটেক অমা ওইগনি চিংনবা থৌদোক অমদা কিওটো সিটিদা লৈবা বিল্ডিং মৈনা চাত্তুনা মাঙ-তাকহনখিবগা লোয়ননা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা মীওই ২৪ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া শোকখ্রে।

শাথিনা চাকখিবা মৈ অদু অতন্ননা মৈ থারকখিবা মাল্লি। অদুবু মদুগী ওইথোকপা য়াবা ৱাখল্লোন অদুগী মতাংদা খুদক্কী পাউ ফংদ্রি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

অহানবদা মীওই ১১গী হকচাং ফংখি। অদুবু বিল্ডিং অদুগী অনীশুবা মথোনদা অমসুং য়ুমথক তন্না কাখৎপা ষ্টিয়ারৱেল অমদা অশিবা হকচাং মথঙ -মথঙ থেঙনরকপদগী শিবগী অপূনবা মশীং য়ামদ্রবদা ২৪ য়ৌখি।

মৈ চাকপা থৌদোক অদুদা মীওই ৩৫ শোকখি। মদুগী মনূংদা ১০ অরুবা ফিভমদা লৈরি। মৈ চাকপা হৌরকখিবা মতূংদা বিল্ডিং অদুগী মনূংদা মী ৭০রোম লৈ থাজে হায়না মফমদুগী মেদিয়ানা হায়খি।

পুলিসনা ফোঙদোকপদা মখোয়না মৈ চাকপগী হৌরকফম অদু হৌজিক ফাওবা থিজিল্লি অদুবু মসি অতন্ননা মৈ থাবগী এটেক ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়খি।

মী অমনা বিল্ডিং অদুদা মহি অমা লংশিনখি অমসুং মৈ থাখি হায়না কিওটো প্রিফেকচরেল পুলিস ৱাঙাংলোই অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

মৈ চাকপা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা ফাদুনা থল্লে অমসুং লায়েঙ চত্থনবগীদমক হোস্পিটালদা পুখ্রে হায়না পব্লিক ৱোদকাষ্টর এন ঐস কেনা হায়খি।

চিংনরিবা মীওই অদুনা বিল্ডিং অদুগী অকোয়বদা গেসোলিন মানবা পোৎশক অমা হৈজিনখি অমসুং মহাক্লা মদু মৈ চুখৎপগা লোয়ননা 'শিরগা তারো' হায়খি।

# কনামতনা ঐখোয়গীদমক খনবীদ্রে ঃ বিহার ঈচাওগী মপূক লাম্লবা অমসুং নীংবা কায়রবা মীয়াম



***মুজাফরপুর, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

থবাক য়ৌনা থুম্লবা কুমগী ঈচাওগী ঈচেল মরক্তা মফি-মরোলগী ময়োমশিং পায়দুনা অমসুং মকোক্তা চাকখুমদা শিজিন্নবা কোন-লিক পুদুনা বিহারগী মীয়াম চাবা ফংদবগী পূক লাম্বগী অৱাবা খাংলি অমসুং উপাই লৈতনা নীংবা কাইবগী ফিভমদা হিংলি।

ঈচাওগী খুদোঙথিবা নংখিবা ঐখোয় অয়াম্বা লাইরবশিংনি। পোলিটিসিয়ানশিংনা খুদক্কী ওইনা খুদোঙথিবশিং অদু খঙবিখি, অদুবু মসি নৎতনা কনাগুম্বা অমত্তনা ঐখোয়গীদমক থৌশাবিদে হায়না দুকান ফম্বা রাজ মাঝিনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

অতোপ্পা মীওই কয়ামরুমগা মান্ননা মাঝিগী য়ুমসু তঙ্খাই হেন্না থুমখ্রে। ঈশিং ঈচাওগী মথক্তা লৈহৌরিবা হায়ববু য়ুমথক অদু খক্তা ঙাইরে।

ষ্টেট অসিদা ঈচাও অসিদা য়ামদ্রবদা মী ৬৭ শিখ্রে। মী লাক্ষ ৪৫ রোম ঈচাওনা শোকহনখ্রে। অদুবু হৌজিকসু ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্রি।

চেক্কী বিল্ডিং নৎতবা কচ্চাগী অপীকপা য়ুমশিংদি ঈশিংনা চেন্থখ্রে। লম্বীশিং অমসুং থোংশিং পূন্নমক তেক-কাইখিবগা লোয়ননা কম্যুনিটি পূন্নমক লম্বী ফাওনখিদ্রে লোয়ননা মহৈ-মরোঙ পূম্বা মাঙ-তাকখ্রে হায়রি।

সিতামরহিদগী লৌমী সোনাবতি দেবী কৌবী অমনা ফোঙদোকপদা মহাক্লা মাগী হামেঙ খরা কন্নবা হোৎনখি অদুবু থোইনা য়াম্বা নৎতে হায়খি। ঐখোয় ইশামক হিংনবা ঐখোয়না য়ুম অমসুং পোৎচৈ পূন্নমক হুন্দোক্লম্বা তাখি হায়না খুদক্কী খনবা টেন্ট অমগী মখাদা ফল্লদুনা মহাক্লা হায়খি।

ঈশিংগী ঈমাই খরা হন্থরকপা মফমশিংদা খূঞ্জাশিংনা মখোয়গী ময়ুমদা লৈহৌরিবা পোৎ-চৈশিং লৌশিল্লুনবা অপীকপা উনা শাবা হিশিং পীক থন্না তোংদুনা লাক্লখি নৎত্রগা ইরোইখি। কনাগুমবা মীওই খরনা গভর্ণমেন্টতগী চানবা খিচরি খরা ফংবা য়াওনখি।

ঐগী ইচাশিংনা চাদবা থক্তবা কুইরবনা চানবা পীয়ু হায়না হন্না হন্না হায়রি। অদুবু মসিদা ঐখোয়না করি তৌবা ঙমগনি হায়না খিচরি য়েল্লকপা মতমদা মচাশিংনা নোংমদা অমুকখক চারিবী নিমানিথি কৌবী অমনা হায়খি।

অদুবু অতৈ মীওই কয়াদি হৌজিকসু মপূক লামদুনা লৈরি। মথঙদা চান্নবা চিঞ্জক পীরকপগী মমি উদ্রি।

# রসিয়ানা ২০২৩ এপ্রিল ফাওবগী মনূংদা এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস পীরক্লগনি ঃ গভর্ণমেন্ট



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

রসিয়ানা ইন্দিয়াদা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেমস অদু এপ্রিল ২০২৩ ফাওবগী মনূংদা পীরক্লবা য়াই হায়না ঙরাং গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগা তৌনরিবা মিসাইল দিল অদু তোক্লবা য়ু এসনা শাফু পীথরক্লিবা অদুগী মতাংদা হংলকখিবদা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিনা ময়োক্লরিবা সেক্যুরিটিগী শীংনবশিংগী য়ুমফমদা সোভরেন দিসিজনশিং লৌরি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

মিসাইল সিষ্টেম অদু পীরক্লবগীদমক ওক্টোবর ৫, ২০১৮দা কন্ট্রেকশিং তৌনখ্রে, এপ্রিল ২০২৩ ফাওবগী মনূংদা পীরক্লবা য়াই হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স শ্রীপদ নায়ক্লা লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি।

রসিয়াগী অদুগুম্বা য়ান্না শক্তি লৈবা মিসাইল সিষ্টেম লৌবনা য়ু এসকা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা ঙাকশেলগী মরীদা ফৎতবা ফলশিং তাহনগনি হায়না য়ু এসনা হায়দুনা লাক্লিবনি।

ইন্দিয়ানা হৌখিবা ওক্টোবরদা চাওরাক্লা লূপা ক্রোর ৪০,০০০কী ওইগদবা 'এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস'কী বেচট অমা লৈনবা রসিয়াগা য়ানরোল অমা সহি তৌনখিবনি।

ইন্দিয়াগা চিনাগা লোন্নরিবা কিলোমিটর ৪,০০০ রোম শাংবা ঙমখৈ পরিং অসিদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মেকানিজম চেৎশিহন্নবা লোং-রেঞ্জ মিসাইল সিষ্টেমস অসি ইন্দিয়ানা লৌবা পাম্মি।

'এস-৪০০' অসি 'এস -৩০০ সিষ্টেমস'কী হেন্না ফগৎহল্লবা অনৌবা মওং অমনি। 'অলমাজ-এনটে'না শাবা মিসাইল সিষ্টেম অসি ২০০৭দগী হৌনা রসিয়ানা শিজিন্নরক্লি।

# টালিবাননা অফগান কম্মান্দো ২০ হাৎখ্রে



***হেরাট,জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

নোংচুপ থংবা অফগানিষ্টানদা তালিবান এম্বুস অমনা য়ামদ্রবদা অফগান কম্মান্দো ২০ হাৎখ্রে হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবানগা থেংনবা লান লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরিবগী চৈরক্তা মসি ইলাইট ট্রুপশিং অদুগী অমুক্লা হন্না অতোপ্পা মাঙজবা অমনি।

স্পিসিয়েল ফোর্সেস লান্মীশিং অদু টালিবানগী অকনবা মফম বাদাঘিস প্রোভিন্সকী আবাকামরি দিষ্ট্রিক্টতা পাইশিনখিবগী মতূং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এম্বুস তৌরকখিবনি হায়না প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণর অবদুল গাফুর মালিকজাইনা হায়খি।

অতোপ্পা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা কোওর্দিনেসন তৌনদনা কাম্মান্দো ফোর্সশিং অদুনা কুমথখিবনি। মখোয়বু টালিবাল ফাইটরশিংনা কোয়শিনখি অমসুং পূং কয়ামরুম লান্থেংনখি। লাইবক থীবদগী মখোয়গী মনূংদগী ২১ শিখ্রে, মখোয় খরনা ফাখ্রে হায়না মালিক জাইনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

বাদঘিস প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মকোক অবদুল অজিজ বেকনা ফাখিবা অফগান লান্মী খর অদুগী মনূংদা খরসু হাৎখ্রে হায়রদুনা অশিবগী অপূনবা মশীং ২৯নি হায়খি।

ওপরেসন অমগীদমক থংনবা ঘোর প্রোভিন্সতগী হেলিকোপ্টর ৪না কম্মান্দো লান্মী ৪০ রোম পুরকখি, অদুবু মখোয়না হেলিকোপ্টরদগী কুমথরকখিবগা থুনমক এম্বুস তৌরকখি। মখোয়গী মনূংদগী সুপ্নগী ১১খক কোন্না রেস্ক্যু তৌখি হায়না অজিজ বেকনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

এটেক অদুগী মতাংদা টালিবাননা লান্মী ৩০ হেন্না হাৎলে হায়রদুনা এটেক অদু মখোয়না চত্থবনি ফোঙদোক্লকখি।

য়ু এসনা ট্রেন তৌবা অফগানিষ্টানগী অপীকপা স্পিসিয়েল ওপরেসন্স ফোর্সশিং অসি চাওরাক্লা লান্মী ৩০০,০০০ লৈবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী সুপ্নগী অপীকপা মচেৎ অমখক্তনি।

# হান্নগী পাকিষ্টান পি এম ফাখ্রে

***লাহোর,জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

পাকিষ্টানগী এন্টি-করপসন এজেন্সিনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর শাহিদ কাকন অব্বাসি ফাখ্রে।

লিক্যুইফাইদ নেচরেল গ্যাস (এল এন জি) টর্মিনেল প্রোজেক্ট অমগী মতাংদা হৌখিবা চহীদা হাংদোকখিবা কেস অমদা অব্বাসিবু ফাবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা হায়খি।

# কর্নটিকা এসেমব্লি চরাংনবা মরক্তা য়ৈথোকখ্রে

***বেঙ্গলুরু, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

কর্নটকাগী দিপুটি স্পিকর কৃষ্ণ রেদিনা কোংগ্রেস মেম্বরশিংনা বি জে পিগী মায়োক্তা স্লোগান লাওদুনা চত্থরিবা এসেমব্লিগী প্রোসিদিং অসিদা মহাক্কী ৱারোপ লাওথোকখ্রে।

হাউসকী মীফম য়ৈথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা কোংগ্রেস মেম্বরশিংনা বি জে পিগী মেম্বরশিংবু হাউসতা ভোট তৌদ্রিবা ফাওবা লৈহনগদবনি হায়দুনা হায়খি।য়েদিয়ুরাপ্পানা মখাতারদুনা হায়খি, মিনিট ১৫গী কনফিদেন্স মোসন অসি ফাওবা নীংথিনা খন্নদনা রুলিং পার্টিশিংনা ভোট অসিবু থিহ্নহনখি। মসিনা কনষ্টিট্যুসনেল ফ্রেমৱাকপু মশক থিহল্লে। মসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঐখোয়না শোয়দনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না য়েদিয়ুরাপ্পানা গভর্ণরনা স্পিকরদা আর্টিকল ১৭৫(২) মখাদা হাউস অসি ঙসি হায়বদি ১৮-৭-২০১৯গী ওইনা য়ৈথোক্লে, হয়েঙ নুংথিল পূং ১.৩০ ফাওবগী মনূংদা হাউসতা মেজোরিটি লৈ হায়বগী প্রুব তৌগদবনি হায়খি।

# তমথিরবা ঈচাওদা কৈ অমা দুকান মনূংদা চঙলগা তুম্লরে

***গুৱাহাটি, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

অসামদা গভর্ণমেন্টনা শাথিরবা ঈচাও মায়োক্লরিঙৈ ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা কাজিরঙ্গা নেসনেল পোর্কতা মপূং ফানা চাওরবা কৈ অমনা দুকান অমগী ফমুং অমদা পোত্থাদুনা লৈবগী ইমেজশিংনা সোসিয়েল মেদিয়াদা ৱা-ৱা লাওনখ্রে অমসুং মদুনা ঈচাও অসিদা শাশিংনা ময়োক্লরিবা অৱাবা অদু উংথোকখ্রে।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ পরিংদা ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট অদুগী বাগোরি রেঞ্জ মনাক্তা হরমোতিদা শগোলশেল নুমিৎতা রোয়েল বেঙ্গল টাইগর অদুনা দুকান অমগী ফমুং অদুদা হিপ্পুনা লৈবগী পীকচরশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা পাকশন্না য়েংনখি। মদু ত্বিটরদা ৱাইল্ড লাইফ ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া (দবলিয়ু টি আই)না থাগৎলকখিবনি।

কৈ অদুনা দুকান ওইনবা য়ুম অমগী মনূংদা চংশিল্লকখি অমসুং ফমুং অমগী মথক্তা পোত্থাদুনা লৈখি।

অসামগী ঈচাওশিং অসিনা মহৌশা নৎতবা গেষ্টশিং পুশিল্লকখ্রে হায়না দবলিয়ু টি আই না হায়খ্রে।

ঈচাও অসিদা ষ্টেটকী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খূৎশন্ননা ৱাইল্ড লাইফ কন্নবা অচৌবা খোঙজং চংশিল্লিবা ওর্গনাইজেসন অদুনা কৈ অদুবু ফমুংদগী চত্থোকখিনবা মঙোন্দা ট্রেঙ্ক্যুলাইজ তৌনবা ঐখোয়গী ভেটরিনরি ওফিসিয়েলশিংনা মিসন অমা চত্থরি হায়খি।

অয়ুক পূং ৭ লোম তাবদা কৈ অদুনা রাফিকুল ইস্লামগী দুকান অদুদা চংখি অমসুং রাফিকুলগী ফমুং মথক্তা পোত্থাদুনা লৈবা উখি হায়না মফমদুগী মীয়ান্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। পার্ক অদুগী চাদা ৯৫ হেন্না ঈশিংনা থুমখ্রে। মদুদা লৈবা শাশিং লৈফম লৈখিদ্রে হায়রি।

# দিবাং প্রোজেক্টকী লূপা ক্রোর ১,৬০০ য়াখ্রে

***গুৱাহাটি, জুলাই ১৮(এজেন্সি)ঃ***

অরুনাচল প্রদেশতা দিবাং তুরেলদা লূপা ক্রোর ২৮,০০০ গী মলটি-পর্পোজ দামগীদমক প্রি ইনভেষ্টমেন্ট এক্সপেন্দিচর তৌবা ঙমহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা ঙরাং লূপা ক্রোর ১,৬০০গী অয়াবা পীখ্রে।

প্রি-ইনভেষ্টমেন্ট এক্টিভিটিশিং অমসুং মখল কয়াগী ক্লিয়ারেন্সশিংগীদমক কেবিনেট কমিটি ওন ইকোনোমিক এফিয়ারস (সি সি ই এ)না শেনফম অদু অয়াবা পীখিবনি হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতু ইন্না প্রোজেক্ট অদুগী লোয়শিনবগী মতম অসি গভর্ণমেন্ট সেঙ্কসন ফংবা নুমিৎতগী চহী ৯ ওইগনি। প্রোজেক্ট অসিনা মেগাৱাট ২৮৮০গী পৱার পুথোক্কনি। মসি অরুনাচল প্রদেশকী লৱার দিবাং ভেলি দিষ্ট্রিক্টতা লৈ।

প্রোজেক্ট অসিনা খ্বাইদগী লুথবা ফাউন্দেসন লেবেলগী মথক্তা মিটর ২৭৮ ৱাংবা কংক্রিট গ্রেভিটি দাম অমা শাগনি। লোইশিল্লবা তূংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অসিদগী চাদা ১২গী পৱার লেমনা ফংগনি। প্রোজেক্ট অসিগী মপূন্সি চহী ৪০ হেনবদা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দা ফংহনগদৌরিবা ফ্রি পৱার অমসুং কন্ট্রিব্যুসনদগী অরুনাচল প্রদেশতা পীগদৌরিবা অপূনবা কান্নবা অসি লূপা ক্রোর ২৬,৭৮৫নি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়খি।

মসিনা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা ইন্দিয়াদা শাগদবা খ্বাইদগী চাওবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টনি। দাম অদুগী অৱাংবা মিটর ২৭৮ শাবা লোয়শিনবদা ইন্দিয়াদা মদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা দাম ওইরগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-186**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | | 6 | | | 1 | | |
| 7 | | | 3 | | | | 5 | 8 |
| 3 | 1 | | 4 | | | | | 6 |
| 1 | | 5 | 7 | 6 | | | | |
| | 7 | | | 8 | 3 | | | 5 |
| 6 | | 3 | 5 | | | | | 1 |
| | | | | 3 | 1 | 6 | | |
| | | 1 | | | 6 | 5 | 3 | |
| 8 | | | 9 | | | | | 7 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 28/06/19
Sl. No. : 5020
Valid : 26/06/19
Sl. No. : 4001
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 10/07/19
Valid : 06/07/19
Stk : 612, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 19/07/19
Valid : 28/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Firstcome First Serve

**R B D Indane**
Booking : 05/07/19
Valid : 25/06/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 200, 19kg-180
Time : From 08.30 a.m.

**Haran Valley, Kwakta**
Booking : 13/06/19
Valid : 08/06/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Phayeng Indane Service**
Booking : 15/07/19
Valid : 04/07/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 15/07/19
Valid : 04/07/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**সনা-সুদোকু - ১৮৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 1 | 9 | 5 | 3 | 4 | 7 | 6 |
| 7 | 4 | 9 | 6 | 8 | 1 | 5 | 3 | 2 |
| 6 | 5 | 3 | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 9 |
| 8 | 9 | 7 | 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 1 |
| 3 | 1 | 5 | 4 | 7 | 9 | 6 | 2 | 8 |
| 4 | 6 | 2 | 1 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 |
| 5 | 3 | 6 | 2 | 1 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 9 | 7 | 8 | 3 | 4 | 6 | 2 | 1 | 5 |
| 1 | 2 | 4 | 8 | 9 | 5 | 7 | 6 | 3 |